থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নীংশিংবা মরক্তগী লীৎখৎলকপা থৌদোক খরা

লম-কোয়বা, ত্রাভেল্লিং হায়বসিগী কান্নবা করিনো? অঙাং ওইরিঙৈ, পরিক্ষা খূদিংগী শোয়দনা হংলগদবা, মীতৈলোল অমদি ইংলিস সবজেক্টকী ৱাহং অমা ওইরকপা 'এসে/রচনা ইবা' হায়বদুগীদমক পারকপদা 'ত্রাভেল্লিং/লম কোয়বা' হায়বা হীরম অসি য়াওরকপনা- পাখঙ ফারক্লবা মতমদা পামজবা থবক অমা ওইরকখি। পামজবা অমা ওইরবসু থবক ওইনা পাঙথোকপদি ঙমখিদে। মরমদি, 'লম কোয়বা' হায়বা থবকসি শেল তিংবা অমনি। ইনাক খুনবা ইমুংগী মচা-মশু নৎত্রবদি ঙম্লবা থবক নত্তে। মরম অসিনা, 'লমকোয়-ৱারী' হায়না খঙনবা তোঙানবা মখলগী খূৎই অসি ঐখোয় শ্বায়দদি কনাগুম্বা অইবা অমনা মীগী মীরম অমদা করিগুম্বা থবক অমা/এসাইনমেন্ট অমগীদমক চৎলুবদা থেংনরকপা/এনকাউন্টর তৌরকপা থৌদোক ৱাথোক খরা পাউদম্বদু ওইনা লৌনৈ। হৌদোকপসু অসিগুম্বা খূৎইনা হৌদোরকপনি। তশেংনা 'লম কোয়বা' হায়বই ৱাখলদুদা, চৎকে/কোয়গে হায়বই ৱাখলদুদা চৎলুবা/কোয়রুবা অইবদি খরতনি। লম কোয়বা-চৎপা হায়বসি, তশেংবদি, এদভেঞ্চর মখল অমনি। ৱিল্লিয়ম দার্লিমপল'না ইবা 'ইন জানদু' হায়বা লাইরিক্তুদা শৈথারিবা 'জানদু' য়ৌনা চৎপই খোঙচৎ'তা থেংনখিবা, মশানা চঙবা য়াদবা, অথীংবা লৈবা মফমদু ফাওদুনা চৎপগী কংফাল খোঙচৎ অদুগী ৱারীদু পাবই মহাওদুনা অমনি। ঐখোয়গী লোল'দা ইবা, অসিগুম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদই পামজবদি কানাদা'দা খুন্দাখ্রবা তামো সোনী (মহিনার)গী 'খোঙচৎ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অদুনি।

ইবা হৈবা 'অইবা অমা নৎত্রবসু, ঐহাকসু নহা ওইরিঙৈ পাম্লকখি- মালেম শীন্না কোয়রগা হৌরকফম-জাৎ-লোল-কুচু-মান্নদবা ময়ামদুগী মরক্তা কোরৌ নুমীৎ কয়ানি কোয়মিন্নরুবা। নিউ-য়োর্ককী অতিয়া পকপা য়ূমদুদদি চৎনীংখিদে, ফিজিগী ঈথৎ অদুদা, সমুদ্র মপালগী খাংপোক্তুদা অহীং অমা তূম্লুবা, এস্কিমোশিংগী য়ূম 'ইগ্লু'গী মনুংদা য়ারেক্লুবা, দেদ সী (অশিবা সমুদ্র)গী দেন্সিতি ৱাংবা ঈশিংদুদা তাউফিং তাউফিং হীপ্লুবা... মঙফাওনখিদ্রবা মোন্দ্রং খরনি। নহা ওইরিঙৈদই মঙলকপা, থবক রিতায়র তৌর'ফাও মঙফাওনদ্রবসিদদি খঙলে- মপোকসিগী ওইনদি মঙ ওইনা লৈহৌরনি।

ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা ষ্টেটশিংগী মরুওইবা মফম অয়াম্ববুদি য়ৌরুরে, কাশ্মির/সিমলা নত্তনা। অদুবু লম-কোয়বা মীশক অমা ওইনা নত্তবনা, লমকোয় ৱারী অমা ওইনা ইথোক্লবই মচাক অদু ফংখিদে। অহৈবা অইবশিংনদি কৈসু লৈতবা ৱাফম অমদইসু ইনবা মচাক শাগৎপা ঙম্মী। থৌদোক মচা অমনসু অচৌবা ৱারী ওইহল্লি। মখোয়দুগী থোইদোকপা মতৌ অদু লোন্না কল্লকচবা পোক্লুরি। মখোয়গী গুন'দু চেল্লম্লবা অচৌবা, অফাওবা ৱারী (উপন্যাস) অমগী মচাক্তুদি হেন্দোক্লা লৈ ইনাক্তা। ইবা হৈবা লমকোয়বা মী ময়ামদুগী মরক্তা অমা ওইনীংলুবনি, লমকোয় ৱারী ইবা নত্তে পাম্লুবা।

য়ু পিদা লৈরিঙৈ (এগ্রিকলচর তম্লিঙৈ) নোংমা থোকখি থৌদোক অমা। ঙসি ফাওবা কাউদরি। রিজার্ভেসন ফংদবা কম্পার্টমেন্ট'তা তোংলগা দিমাপুর ফাওবা চৎকদবা ত্রেনগী খোঙচৎ অদু তন্দুনা, শারবা কালেনগী মৈশা খাঙদুনা কালেন ছুতিদু হোষ্টেল মনূংদা খাঙহৌখি, ঐগী মরুপ অনীগা ঐখোয় অহুম। হোষ্টেল-মেস থিংখিদুনা 'লক্ষ্মি-লোজ'দা লঞ্চ-দিন্নর অনীমক চাবা চৎখি নুংতিগী। নোংমা, লক্ষ্মি-লোজ'দই থোক্লকপদা মুস্লিম হোটেলগী মোহম্মদ জমাল'না কৌশিল্লকখি- 'ফোরেনর অনীখক চাক চাবা চঙলক্লিবসিগা লোল ফাওনদ্রে, করি পাম্লিবনো অমুক্তা হংবীয়ু'। ঐ ঙকখি- য়ু পিগী লৱায়-লমসিদা করি য়েংবা লাক্লিবনো! চাক তোক্লবা মতুংদা মখোয়না লৈরিবা 'দিলাইত হোটেল' ফাওবা লাকমিন্নখি। হংখি 'কৈদৌবা লাকপনো, চৎলুবা য়াদ্রা আগ্রাদা'? খুম্লকখি, মখোয় স্কুল-তম্লিবা মহৈরোয়নি, মালেমগী অপাম্বা মফম অমা খল্লগা, মফমদুদা চৎলুরগা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্সকী রিপোর্ট'তু স্কুলদা লানখৎলুদৌরিবনি, মখোয় নোর্ৱেদগীনি, 'ইন্দিয়ন ভিলেজ' খল্লুবদগী লাক্লিবনি, অচঙবা খরচ গভর্ণমেন্ট'না পুথোকই। ত্রোন্দ অমদি এন্দরসন- নুপা অমগা নুপী অমগা- ঐখোয় নম্মীন্নবা ফোটোদু অমনবা এলবমদুদা য়াওরি ঙসিসু- ১৯৭৬!

ওল মণিপুর বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকপা নৌরিঙৈ মতম, হাওরা-বোম্বে-রেল খোঙচৎ অমগী ৱারী মতেক অমগা কাউঙমদনা লৈবা ঐগী ৱারীশিংগী মরক্তা অমনি। গীতাঞ্জলি এক্সপ্রেস-মতম অমদা মমিং চৎপা অনানবা ত্রেন ওইরম্বনি। ঙসিদি ইন্দিয়ন রেলৱেবু চেম্থরিবা ত্রেন অমা ওইরবনি। ত্রেন তোংদুনা ইথন্তা লমশাঙ চৎপসি, ইন্দিয়াগুম্বা লম অমদদি তশেংনমক খুদোংথীনিংঙাই মশক্লি। সেন্ট্রেল-কম্মিটিগী মীটিং চৎপা ওইবনা ইরন্নাই-পৈশানা চৎপা-খোঙচৎ ওইখিদে। চৎখিবদু এয়র-কন্দিসন কম্পার্টমেন্ট'তনি। ইপাং কনাসু য়াওরোইদবনা লাইরিক অমা ইপাং ওইনা লোয়নখি।

বিহারগী ষ্টেসন অমদগী কাখৎলকখিবী হনুবী অমা ঐগী থংনবা সিট'তুদা ফম্লরে। মফি-মরোল তনান-তনাল্লি, ইনাক খুনবা ইমুং অমদগী ওইরম'নি, কুচু কুমেন বিহারী নুপী মান্দে। হেক ফমথবগা হংলকখিবনি... 'বেতা! কহাঁ জা রহে হো... (কদায় চৎতৌরিবনো, করি লমদৈনো, করি মিং কৌই, করি থবক তৌই- অসিনচিংবা)। মাগী মমিংসু হংহৌবনি, কাউথোকখ্রে কুইরবনা। মাদি নাগপুরদা মচানুপীগী মনাক্তা চৎলিবনি হায়। মচানুপী ঙাক্তা অহুম পোকই হায়, য়াইমদু এয়র হোষ্টেসনি এয়র-ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনেল সেক্তরদা পাইবনি, বোম্বেদা ময়ূম লৈবনি উন্নৌ হায়দুনা ফোন নম্বর পীরকখি (মোবাইল লৈত্রিঙৈ ৱারীনি)। ৱারীদি শানরকখিদে।

মমশীল্লক্তুনা, নুমীদাংগী চরা নোংখন্ননবা (পেন্ত্রি-কার য়াওদবনা) 'ষ্টেসনদগী অচাপোৎ খরা লৈরুগে পোৎ অমুক্তা য়েংবীরম্মু' হায়রুবদা ইমাদুনা হায়রকখি... 'ষ্টেসনদা য়োনবা স্ত্রিত-ফুদ চারুনু, হকচাং শোক্কনি... ঐগী ইচানা হাপ্লকপা অচাপোৎসি চামিন্নসি হঙ্গোইব্রা'...? মাগী খাউদু হাংদোক্লগা স্তিলগী তিফিন বোক্সতা হাপ্লকপা তল অমদি য়েনসাং মথেল নীনি-হুম্নী থম্লবসু পুমথরোইদবা মথেলনি। মহাউ অদু ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। মহাক্লা মচেৎ অমখক চারগা ঐনা লাম্না চাবদু 'মচানা চাবা য়েংবগুম' য়েংখিবদু নীংশিংলি। মহাক্লা নাগপুরদা কূমহৌরগা, তিফিন বোক্সকা লোয়ননা অরেম্বদু লোইনা পীথোক্লমখি।

ঙসিদি মহাক তাইবংসিদা লৈরম্লরোই। ঐনা কাউদ্রিবা অসিগুম মহাক্লসু ঐহাকপু তাইবংপান থাদোক্লমদাইদা নীংশিংলমগনি শোয়দনা। মাগী মচানুপা য়াওদে হায়বনি। খোঙচৎ অমগী অসিগুম্বা ৱারীসি হায়-ফায়-লাইফকী এরোপ্লেন খোঙচৎতদি কৈদৌনুংদা থেংনরোই।

মমি ৱারী থৱান





খ্বাইরম্বন্দ, নঙগী কৈথেলদা নিঙোল চাক্কৌবা লাক্লে, ঐখোয় পুন্না ওকমিন্নরসি।

লৌশিং পুক্কে

# য়ু য়াম্না থকপদগী ফিরাক শিনবা মথৌ তারকপা

## পেন্দমিক মনুংদা য়াম্না কা হেন্না চাং ৱাংখৎখি : ষ্টদি

য়ু য়াম্না থকপনা মরম ওইরগা ফিরাক শিনবা (লিভর ট্রান্সপ্লান্ট) গী মথৌ তারকপগী চাং পেন্দমিক মনুংদা য়াম্না কা হেন্না ৱাংখৎখি হায়না অনৌবা ষ্টদি অমগী রিসার্ছরশিংনা রিপোর্ট তৌখ্রে।

ষ্টদি অদুদা মখোয় অলকোহোলিক হেপাটাইটিসনা মরম ওইরগা ফিরাক শিল্লবা নৎত্রগা ফিরাক শিন্নবগী ৱেটিং লিষ্টতা লৈরিবা মীওইশিংগী মশিং অদু হান্না পেন্দমিক মমাঙদা লৈরম্বা চাং অদুদগী চাদা ৫০ য়াম্বা হেনবা থেংনখি।

অলকোহোলিক হেপাটাইটিস নাবা মতমদা, ফিরাক্লা অলকোহোলবু প্রোসেস তৌবা লেপখি অমদি মসিগী মহুত্তা ইনফ্লেমেসন তৌহনবা হূ চেনবগী চাং য়াম্না ৱাংবা কেমিকেলশিং পুথোকই। ইনফ্লেমেসন অদুনা মশা ফরিবা লিভর সেলশিংবু হাত্তোকপা ঙমই, মসিনা লিভরবু অমুক হল্লকপা য়াররোইদবা মওংদা অমাঙ অতা থোকহন্দুনা পেসেন্ট অদুবু মশা শিদনবগীদমক (হিংনবগীদমক) লিভর ট্রান্সপ্লান্ট অমা শুকশোয় শোয়দনা তৌবা তাহল্লকই।

অলকোহোল হেপাটাইটিস হায়বা অসি অনম্বনা চহী কয়া য়ু য়াম্না য়াম্বা চাংদা থক্লবা মতুংদা ওইরক্কনবা অনাবা অমনি, অদুবু য়াম্না কা হেন্না থকপা অতেনবা মতম অমগী মতুংদসু মসি দিভেলপ তৌরকপা য়াই। হায়রিবা অনাবা অসি মীওই খরা অমদনা নারগা অতোপ্পা মীওই খরদনা নাদ্রিবা করিগীনো হায়বসি হৌজিক হৌজিকমকসু সাইন্টিষ্টশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

ষ্টদি অসিগীদমক, য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী রিসার্ছরশিংনা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগীনা ২০২১গী জন্যুৱারি থা ফাওবগী মনুংদা য়ু এস ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট লিষ্টতা লৈবা মীওইশিংগী চপ চাবা মশিং অদুবু পেন্দমিক মমাঙগী দেটাদা য়ুম্ফম ওইরগা শেন্বা মশিংগা চাংদম্নখি। কুমজা ২০১৬কী জনুৱারী থাদগীনা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী থা ফাওবগী নেসনল মন্থলি রিটেল অলকোহোল সেল্স রেকোর্দপুসু মখোয়না য়েংখি।

মখোয়গী ষ্টদি অদুগী রিজল্ট অদু জামা নেটৱার্ক ওপনদা পব্লিস তৌরকখিবনি। রিজল্টশিং অদুনা অলকোহোলিক হেপাটাইটিসনা মরম ওইরগা লিভর শিন্নবগীদমক ৱেটিং লিষ্টতা লৈবা মীগী মশিং ৱাংখৎলকপা অমসুং পেন্দমিক মনুংগী অলকোহোলগী রিটেল সেল্সতা হেনগৎলকপা, অনী অসিগী মরক্তা মরী অমা লৈনৈ হায়না উৎখি।

সবষ্টেন্স এব্যুজ এন্দ মেন্টল হেল্থ সর্ভিসেস এদমিনিষ্ট্রেসননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পব্লিস তৌরকখিবা সর্ভেনা থেংনখি মদুদি, অমেরিকান এদল্টশিংনা পেন্দমিক মনুংদা, য়ামদ্রবদা কুমজা ২০২০গী অরোইবা থা অহুম অদুদা, য়ু থকপগী চাং হান্নগা মান্ননা অদুম্মক থকখি হায়না ক্লেইম তৌখি। অদুবু য়ু য়োনবগী ফিগরশিংনদি মদুগী ওন্না তৈননা উৎলি। কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী হৌরগা য়ু য়োনবগী চাং অদুক্কী মতীক হেনগৎখি, অদুগা ৱাংখৎলিবা চাং অসিদা চহী চুপ্পা লেঙদনা অদুম্মক লৈখি হায়বা ষ্টদি অসিগী রিসার্ছরশিংনা খঙখি।

কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদগী হৌরগা ২০২১গী জন্যুৱারী থা ফাওবদা, অলকোহোলিক হেপাটাইটিসনা মরম ওইরগা অহেনবা মীওই ৫১,৪৮৮বু লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগী ৱেটিং লিষ্টতা হাপকৎলকখিবা অমসুং লিভর ট্রান্সপ্লান্ট ৩২,৩২০ তৌখিবা রিসার্ছরশিংনা উখি। অদুবু অলকোহোলিক হেপাটাইটিসকা মরী লৈনদনা অতোপ্পা মরমশিংগীদমক লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা মথৌ তাবা মীওইশিংগী মশিংদি অদুম্মক হোংদনা লৈখি হায়রি।



রিসার্ছরশিং অদুনা হায়রি মদুদি, ঐখোয়না ফিভম অসি ওইল্লকপগী মরম অমদি ইফেক্টশিংদু কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রগসু, য়ু য়োনবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট মথৌ তাবগী চাং অসুক্কী মতীক হেনগৎলক্লিবা অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা অলকোহোল মিসয়ুজ তৌবগা মরী লৈনৈ হায়না উৎলি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা অলকোহোল মিসয়ুজ তৌবগী চাং হেনগৎপগা মরী লৈননা অলকোহোলিক হেপাটাইটিস নাবগী মশিং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা চাংদা হেনগৎহল্লকপগী ইভিদেন্স পীবগা লোয়ননা য়ু কা হেন্না থকপগী মতাংদা পব্লিক হেল্থ ইন্টর্ভেন্সনশিং পুথোকপগী মথৌ তাবা অদুসু ষ্টদি অসিনা উৎলি হায়নসু রিসার্ছরশিং অদুনা মখা তারি।

মায়ো ক্লিনিককী মতুংইন্না, অলকোহোলিক হেপাটাইটিসকী খ্বাইদগী কম্মন ওইবা খুদমদি মীৎকী অঙৌবা শরুক অমসুং উনশাদা নাপু মচু চঙশিল্লকপা (জোন্দিস) অসিনি। অতোপ্পা খুদমশিং অমদি লাইওংশিংগী মনুংদা- চানীং থক্লীংবা ফাওরক্তবা; ওনীংবা অমসুং ওবা; পুক্তা নম্বদা নাবা; লাইহৌ (লো গ্রেদ ওইগল্লি); চোকথবা অমসুং হকচাং শোন্থবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

অলকোহোলিক হেপাটাইটিস নাবা মীওইশিংদা মালন্যুট্রিসন তৌগল্লি। য়াম্না য়াম্বা চাংদা য়ু থকপনা চানীং-থক্লীংবা ফাওহন্দে, অমদি য়ু য়াম্না থকপা মীওইশিং মখোয়গী কেলোরিশিং অদু অয়াম্বনা য়ুদগী ফংই।

সিভ্যির অলকোহোলিক হেপাটাইটিস নাবা মতমদা উবা ফংবা অতোপ্পা লাইওংশিংগী মনুংদা পুকতা মহীগী শরুক পৈখৎলক্তুনা পুক কংখৎপা (অসাইটিস); হান্না লিভরনা কায়থহন্দুনা মাঙহল্লম্বা হূ চেনবা পোৎলমশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইরগা কনফ্যুজন অমসুং বিহেভ্যিরদা অহোংবা লাকপা; কিদনি অমসুং লিভর ফেলিয়র অসিনচিংবশিং য়াওরি।

অলকোহোলিক হেপাটাইটিস অসি মী শিগনবা অরুবা লায়না অমনি। মরম অদুনা লায়না অসিগী সিম্পটমশিং নৎত্রগা খুদমশিং ইশাদা লৈরবা; য়ু থকপা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবা; অমদি য়ু থকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাম্লবদি দোক্তরদা তানগদবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


## পার্টি খুদিংমক্কী ৱার্কর চপ মান্নে, ৱার্কর হায়নসু লোয়না কৌনে, ফাইটর হায়নদি কৌনদে



তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী ৱার্কর ওইরিবশিং অসি মীনা ইনশিল্লুবা অমত্তা নত্তে, মশা-মশানা য়াম্না টেলেন্ট লৈবা, তৌবা ঙম্বা কয়া কেন্দিদেট অদুগী থবক তৌজরম্লগে হায়না য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা চঙলকপা ঙাক্তনি হায়না থাজে। মদুদা ৱাখল লৈরবা, হৈ-শিংলবা লৈবাক্কী থৌগল তৌজগে প্রজা মীয়াম্না নুংশিবিয়ু হায়না তোয়না অমসুং তত্তনা লাউরিবা মখোয়না করিগীদমক মখোয় মশেল ফুনহল্লিবা অমসুং ময়ুম-মকে মৈ থাদোক্লহন্দুনা থাং-তেন শীজিন্নহল্লিবা? মসিবু নুংশিবিয়ু, ভোট পীবিয়ু হায়বগী খুদমলা? অমরোমদা কেন্দিদেট অমগী ৱার্কর অমা হেক্তা ওইরো ৱার্করগী মহুৎতা ফাইটর, ফেন্সিং প্লেয়র অমদি তানচিংবা অমসুং চুঙ্গোই চোংবা পাল্লগনা ৱার্কর ওইবা তোকপীরগা মণিপুরগী মীংচৎ ওইনা পুরক্লবা হায়বদি সাইখোম মিরাবাই, মেরি কোম, সরিতা অমসুং দিঙ্কুনচিংবা অমা ওইনবা হোৎনবনা ফরোইদ্রা হায়না মণিপুরগী হেক লৈরিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্কী ৱর্করশিংদা ঙসিদগী মতুং তারকপদা অমুক হন্না খৎন-চৈনবা ফাইটর ওন্দনবা হন্না-হন্না শান্তি পুরক্লবা হায়জরি। মদুনা ঐখোয় পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইবা খক নত্তনা মীখলসু ঈংনা-তপ্পা পাঙথোকপা ঙম্বা খক নত্তনা অফবা তুংগী লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীহুৎশিং খনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না খল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ভোট অদুমক মখা তানা চথুরগদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা লৈবাক কায়বা য়াবগী ফীভম ফাওবা লাকপা য়াই। মমল য়ামখ্রবা মীয়ামগী লুচিংবা খনগদৌরিবা অসিগুম্বা মতম অসিদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংগদবা থবক তৌবীগনু।

❒ খোগেন্দ্র মাইবম, ৱাংজিং ৱাংখৈ

## এন ঐচ-৩৭গী লম্বী পাকথোক-চাওথোক্তুনা শেম্বিগনি হায়খ্রবসু থবক্তা ওন্থোকরকপদি উদ্রি



এন ঐচ-৩৭ অসি পাৎশোই এ সী ফাওদুনা চৎখ্রগা জিরিবাম য়ৌনা চৎখিবা লম্বীনি। লম্বী অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীওইশিংদা শেম্বীনবা অমসুং পাকথোক্লবা হায়জখিবা লৈখ্রে। মরী লৈনবশিংনসু লম্বী অসি পাকথোক চাউথোক্লবগী থবক তৌরগনি হায়বীরকখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরকপদি উই উদ্রি। চৎলিবা লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা মশক নাইরবা নাইরবী মিনিষ্টর, এম এল এ কয়া অমদি এম পিনচিংবা মীওই কয়া লৈখ্রে। অদুবু মখোয়সু লম্বী অসি পাকথোক্লবা অমসুং শেম্বীবদি অমত্তা তৌবীরমদে। মখোয়সু মতমগী মতুংইন্না অদুম্মক তোকখি। অদুবু ঙসিদি লম্বী অসিগী ফীভম মতমগা চান্নদবা লম্বী অমা ওইরে। গাড়ী অচৌবা মচাশিংনা নোংমদা খুরক হাংদনা চেল্লি। গাড়ী মশীং য়াম্না চেনবনা লম্বীনদি পাকথোক্তবদগী খুদোংথিবা এক্সিদেন্ট মশীং য়াম্না থোকপা হেনগৎলক্লে। অসিগুম্বা খুদোংথিবা নংদুনা লৈরবা লম্বী অসি মরী লৈনবশিংনা শেম্বী-শাবীবগী ৱাখলসু লৈত্রে। লম্বী অসি পাকথোকপীদবা মরম্না লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম্না তৌনিংবা থবক, দুকান শাজিনবা অমসুং মখল মখা কয়াগী য়ুম-কৈ শাজিনখিবদগী অমুক্কা হেন্না লম্বীগী ফীভম অসি অরুবা ফীভম অমা ওইহল্লে। পাৎশোই এ সী অসি ইম্ফালদগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈরবসু মণিপুর লৈঙাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদি ইয়ৌ য়ৌদে। ঙসি ফাওবদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংবা লৈত্রি।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১০।২০২১ ইং, ইরাই ; নুংথিল পুং ২.১০ ফাওবা মেরাগী ২৩ নি পাল্লি, মতুং ২৪ নি পাল্লনি।

মেষ: অশাওবনা হকচাং ফাওবা নুংঙাইতবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈ। ঙাংবা শকপা হৈবা, পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি নক্লবগী মতেং লৌবনদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: চিন কনগনু অমদি য়েৎনবা য়াওরুনু-মাঙবতা থংগনি। অদুবু লান্দবনা মায় পাকচবা অমদি পল্লম্বা শেল-থুম্নচিংবা ফংজবে নুংঙাইবদি শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক ।

মিথুন: মীতোপ লোয়নবা অমদি অনম তানবনা মাঙজগনি। অদুবু হান্নদৈ পাঙলকপা থবক মখা চৎথবা য়াগনি অমদি মরুপ মপাং লোয়নবদি কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হরাওবা, নিংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরি ফগৎপা নুমিৎনি। নাপল তৌরদি মরুপ কায়নগনি, অশাওবা থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ: য়েক্লবা লৈরম্লসু মাংখিনি, থিবা হুম্বগী কান্নবা ফংগনি অমদি মরুপ মপাংতা নত্তনা লাই-গুরুনা চানবীগনি। অদুবু খুৎতি চাওগনু, অখঙ অহৈ শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: মায় পাক্কনি, শেল ফংগনি, মরুপকি মতেং ফংগনি, লৌশিং তানশিনবা ঙমগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। অদুবু খন্থহৌদবনা অঙম্বগা মুক্লবদি লৈবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: কোক শাবা খরা লৈরসু নিংবা থবক পাঙগনি, মীয়ামগী মতেংনা নচাক নরল চাওখৎকনি অমদি মীচং হেনগৎকনি। অদুবু মীনা ইনশিনবদি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অনম তানবা অমদি ফিংবনা খ্বাইদগী মাঙগদবা নুমিৎনি-তপথৌ। ৱানোম থৌনোম মতাং চাদে। থেংলপ্না ওইজবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু: ইমুং মনুংগী ৱা লৌবনা কান্নবা, নিংথিনা পোরম শিন্দোক্লগদি থৌপাংগদবা অমদি অরং অরাক ফংবা য়াবা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি হোয়া ফবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: লাইবক ফগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, মীয়ামগী মতেং চাওনা ফংগনি অমদি অনিংবা থবক পাঙগনি। হন্থবা/মীতোপ্তনদি কিহনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মায় পাক্কনি, লাইবক ফগনি অমদি মরুপ মপাংনা থোইনা নথৌদা তেংবাঙবীগনি। অদুবু শিখাং খাংবনা শক-চু থোকপা ৱাৎকনি-নোল্লুক্লা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: ফিংগনু অমদি হোয়া ফগনু নুংশা থিবা অমদি মতম মাঙবতা থংগনি। চিন কনবসু ঈকাইবা নংগনি। অয়েৎপদি কোক্লগনি অমদি শেল-থুম খরা চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।